ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯹ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, এপ্রিল ০১, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ০০৯ শুবা মশীং

# ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপা

## হাওলেনফাইগী খুঞ্জাশিংগী প্রোটেক্ট তরায়না লৌগুমসি

***ইন্দিয়াগী*** ষ্টেট অমা ওইনা লৈবাক অসিগী অৱাং-নোংপোক্তা লৈরিবা মণিপুর মতম অমদা নিংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরম্মী। কুমজা ১৯৪৯ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা মণিপুরগী নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা কৌরগা নমদুনা ইন্দিয়াগা তিনবগী খুৎয়েক পীহনখি অমসুং চহী অসিমক্কী ওক্টোবর ১৫ দা মণিপুর ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখি। চহী লিশিং কয়া চূপ্পা মখুৎতা থাংশাং অমদি তা পায়দুনা মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায় কয়ামরুম কৎখি। অদুবু ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদগীদি মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং পুন্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌশিনখি। মণিপুরনা ঐখোয়গীনি হায়না খঙজবা লমখৈগী শরুকশিং ইন্দিয়ানা ঙাক-শেনবীরি হায়দুনা খঞ্জরবসু ঐখোয়গী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা লোন্না অমদি ফোংনা শীংনবা কয়ানা পীক থল্লকখি। অমরোমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌজরগসু ম্যান্মার অমদি য়ুমলোন্নবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংনা ঐখোয়গী ঙমখৈদা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিদি ইন্দিয়ানা করিসু থৱায় য়াওশিন্দবদৌনা তৌরক্লি। মসিদনি মণিপুরগী নহারোল লিশিং কয়ানা মমা লৈবাক্কী ঙমখৈ ঙাক্লবগীদমক্তা থৱায় কৎকে হায়না চোংথোনরক্লিবসি। মণিপুরগী ঙমখৈ অসি কয়ামুক য়াম্না পাক-চাউরম্বগে হায়বগী মতাংদা পুৱারীগী লাতমশিং হঙ্গৎনা য়েংলুরগদি হৌজিক্লা ম্যান্মারগী লমখৈ মনুংদা লৈবা নিংথি তুরেলগী তোব্বান্দা তাবা লমগী শরুকশিং, ইন্দিয়াগী শরুক ওইরিবা আসাম অমসুং চাইনাগা তাইনবা মফমশিং মণিপুরগী শরুক ওইরম্মী হায়নৈ। কুমজা ১৯৬০ দা রেঙ্গুনদা ফোঙবা বর্মা গেজেটর অপ্পর চিন্দৱুই দিষ্ট্রিক্ট ভোল্যুম এ হায়না মিংথোনবা ঝার গ্রান্ট ব্রন্টনা ইবা লাইরিক্তুদা মণিপুরগী ঙমখৈগী শরুক অসি অপ্পর বর্মা হায়বদি হৌজিক্লা সান ষ্টেট হায়না খঙনরিবা মফম অসি য়ৌনা শন্দোক্লম্মী হায়রি। ১৫শুবা চহীচাদা মণিপুরগী নিংথৌ কিয়াম্বা অমসুং কবোগী নিংথৌ খিখোম্বা অনীনা কবো ভেলিগী লম য়েন্নবগী ত্রিটি ঐখোয়না থেংনৈ। কুমজা ১৯৩৮ দা মন্দলে মনাক্তা লৈবা সাইগাং রিজনদা মীয়াম্না শকখঙ-মায়খঙনরবা কামুদো পেগোদ্যা মণিপুরগী নিংথৌ গরিবনিৱাজনা লৌশিল্লম্বা অমসুং থাংনা য়ান্দুনা মণিপুরীশিংনা মফমদু য়ৌনা লৌশিল্লম্মী হায়না খঙনবা খুদম থল্লম্মী হায়নসু অরিবা লাইরিকশিংদা থেংনৈ।

মনিং তম্না লৈজরম্বা মণিপুরনা অৱাগী খুৎতা মায়থীবা নংদুনা কুমজা ১৮১৯ দগী ১৮২৬ ফাওবা হায়বদি চহী ৭ খুন্তাক্তুনা অৱাবা নংখি। মীতৈ নুপা অয়াম্বা লাঞ্জেন্নখিবনা মরম ওইরদুনা মৰৈবাক মরমদমগী নিংতম্বা হঞ্জিলহন্নবা পান্বে থিবদা অৱাবা ওইখি। তুংদা মৈদিঙু গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিংহ অনীনা মণিপুর লেভি শেমগৎতুনা চোইনা- চোইনা খুন্দানখ্রবা মীতৈশিংবু খোমজিন্দুনা বৃটিশকী মতেং লৌরগা মণিপুরদা লান্দারকখি। অসুম্না মণিপুর নিং-খা তম্বা ফংলবা তুংদা কুমজা ১৮২৬ কী ফেব্রুৱারী ২৪ দা বৃটিশ অমসুং বর্মা অনীগী মরক্তা ত্রিটি ওফ য়ান্দাবৌ খুৎয়েক পীনখি। অৱাবগী মশক্নি, মশাগী ঙমখৈ ঙাক্লনবা হোৎনবদা মপাঙ্গল চোকথবা নায়দনা লাম্থেংনদুনা লাকখিবা মীতৈশিংগী মাঙদা মখোয় য়াওহন্দনা মণিপুরগী লম বৃটিশ অমসুং বর্মা অনীনা য়েন্নবীখ্রে। থৌদোক অদুনা নিংবা কায়হল্লবা মীতৈশিংবু থেম্লনবগীদমক বৃটিশনা কুমজা ১৮৩৪ দা বর্মানা কবো ভেল্লি লৌখিবগী চহীগী ওইনা শেনফম খরা পীননবা য়ান-চেরোল অমা অমুক বর্মাগা তৌনখি। মতম শাংনা মণিপুরগী লম ওইরম্বা কবো ভেল্লি মতমদুদগী বর্মাগী ওইখি। মদুগী মতুং তারকপদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখি। ইন্দিয়াদা তিল্লবা তুংদা প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা বর্মাদগী মণিপুরনা ফংলম্বা শেনফম অদুসু কোকথোকপীখি। অসুম্না ঙসি ফাওবা কবো ভেল্লিগা মণিপুরগগী মরক্তা মরী অমত্তা লৈনদবগুম্না তৌহনখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি য়ুম্লোন্নরিবা ম্যান্মারগা মণিপুরগগী মরক্তা হৌজিকসু ঙমখৈগী চয়েৎনবা চাউনা লৈরি। মণিপুরনা কবো ভেল্লি মাংখিবগী নিংদোন পোম্নরি। অদুগা অমরোমদনা ম্যান্মারনা মখোয়গী লমখৈ মণিপুরদা হেঞ্জিনখ্রে হায়দুনা ক্লেম তৌরি। চহী কয়াগী মমাঙদা য়ুংলম্বা বাউন্দরি পিল্লর ম্যান্মার লাম্নীনা মণিপুরগী ঙমখৈগী মনুংদা য়ুংশিনখিবগী ৱাথোক লৈখি। হৌজিক্লা ঐখোয়গী লমখৈগী শরুকশিং হুন্দোকপীরগা ঙমখৈ শম্বল খাজিন্দুনা মণিপুরগী লম স্কৱার কিলোমিটর ২৫ রোম মাংলি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা ঙমখৈ শম্বলগী মনুং লানশিল্লক্লগা ম্যান্মার লাম্নীনা মণিপুরগী হাওলেনফাই ভিলেজদা চলাইবা সো মিলগী মচাক পুন্নমক নুংথিল পোবোপ্তা পুরগা চৎপীখ্রে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইন্দিয়ানা ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপীরিবরা, ঙমখৈদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিং কনানা কনবীগদৌরি হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লে। তানফম অসিদা হাওনেফাইগী খুঞ্জাশিংনা হন্দক্তা ইন্টরনেসনল আইরন ব্রিজগী মখোঙদা প্রোটেক্ট তৌখিবদু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তরায়না লৌফম থোক্তে। ঐখোয়বু কনবীয়ু, ঐখোয়গী ঙমখৈ ঙাকউ হায়বা খোল্লাউনি। খোল্লাউ অসি মণিপুর লৈঙাক্লসু তাবীগদবনি হায়জনিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১। "বসন্তগী সন্ধ্যা য়াচংবা কালনি। ... ইম্ফাল তুরেলগী মপান্দনি। অথাপ্পদা শুগুনু হিগারুবা কনানা... তরেৎশুবা খোম্থাংনা... লাউরি।" পরেংশিংসি করম্বা অরিবা উপন্যাসকী অহৌবা পরেংশিংনো?

২। "ইপাকসিদগী কোঙ্গোল পূম্নমক তাকখ্রবদি / লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।" ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। "নঙ লাক্কনু শকুন্তলা / থম্মোয়গী পল ৱাংমা লান্না / ... / পীক্লবা চীংলৈবাকসিগী চনুরাশিংগী থম্মোয়দা।" অইবী অমগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। হিন্দিগী 'দেবলোক' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। 'মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক' কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭ কী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবীরকখিবদি**

| | |
|---|---|
| *১) সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* | *(৫)* |
| ২) নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা লম্বী মাইবম লৈকায় | (৫) |
| ৩) চিরোম চৌরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৪) কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৪৭ কী ৱিন্নর**

*সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায়* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)

**লিটরেরি ক্যুইজ ৪৭ কী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

এপ্রিল ০২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৭ কী পাউখুম

১। মখাগী অরিবা লোনশিংসিগী ৱাহম্থোক পীয়ু ঃ
(ক) লুফুই ঃ- লূ (খ) লময়ায় কাইদা খিনবা। ঃ- শিবা

২। "তম্পাকলৈমা শংবানরবা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক্কা নোংমদোনগা শম্নরিবা নোংখোঙ পরেংদুদা মুন্না য়েংই।" পরেংসি ৱারীমচা ইবা কনানা হায়বনো?
ঃ- কৈশাম প্রিয়কুমার

৩। "হিংলিবনা কনা, শিরিবনা কনা, মহাক অমতা খঙলক্ত্রে। মফম অদুদা লেপ্লিবা মীশিং অদু মাগী মমিত্তা লৈ মনা অমমম ওইনা উরকই।" ৱাহৈশিং অসি করম্বা ৱারীমচাদগী লৌথোকপনো? ঃ- 'লৈ মনা অমতং'

৪। বঙ্কিমচন্দ্রগী 'ধর্ম্ম তত্ত্ব' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
ঃ- এলাংবম সোনামনি

৫। 'অমেরিকাগী খোঙচত্তা' লমকোয় ৱারীসি কনানা ইবনো?
ঃ- চোংথাম যামিনী দেবী

# মথংদনা করি কৎলু হায়রক্তৌরিবা?

### ৱাইরু ৱাইরুবদা



***ঙাওরিবসিবু*** কালিমাইরা গাড়ী থৌরিবা নুপা-নুপী ময়াম অসিরা নৎত্রগা লম্বী চৎলিবা ময়াম অসিরা? গাড়ী থৌবা হৈত্রিবরা লম্বী চৎপা হৈত্রিবরা? কালিমাই ঙাওরিবরা লম্বী শেম্বা হৈতবা ঠিকাদারনা ঙাওরিবরা? লম্বী শেম্নিংদবা লৈঙাক অসিরা ঙাওরিবসে?

কালিমাই ঙাওই হায়গেরা, ফৈরে হায়গেরা কালিমাইনদি করি অমত্তা হায়রক্কদবা অমত্তফাও লৈত্রে। নোংমতসু কালিমাই থোরক্তুনা লম্বীদা চৎলম্বা কার ইন্তুরম্বা, বস থাঙ্গৎলগা লংলম্বা, মাল গাড়ীদা চোংখৎলগা কাওরম্বা, মীগী জীপ থাঙ্গৎলগা কিং কোংদৌনা লাক লাক্তুনা হুল্লম্বসু থেংনদ্রি। তশেংনা কালিমাইনা ঙাওগেনা ঙাওরদি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লেপ্পগা অরাক অরাকপা গাড়ী মখৈ তাপ তাপ ফার ফারগা লংবা মতারবদি অরৈবা ষ্টেটকী ফোর্স ময়াম পুথোক্লগা শোয়দনা ফারগা জেলদা থমজিল্লমগনি। কনানো তশেংনা ঙাওরিসে গাড়ী থৌরিবা ঐখোয় অসিরা? নৎত্রে হায়রগা ময়াম্না হায়নরিবা অসিরা? কালিমাই অসিদি মীতৈ ইনাৎকী লাইমক্তি নৎতে অদুগা মানা জুরিসদিক্সন লানশিল্লক্লগা অতোপ্পা লাইনা পুগদবা হীরমদা খূৎ থিংজিল্লক্লিবা করিগীনো? শুম য়াই খঙদনা কালিমাইদা নৎতনা অতোপ অতোপ্পা লমগী গাড়ীগী লাই ময়াম অমা অমুক মণিপুরদা হোৎচিল্লক্লগা মথৌ তৌবা হৌগৎলক্লবদি কমদৌবা? কালিমাইখক্তুনা তৌবদফাও অসুক য়াম্না ফৎত নুংদা থোক্লিবা অসিদফাও।

লাইসেন্স চুম্না পায়খিবা মী পঙয়াও য়াওনপোৎতে মণিপুরদা। অশম্বা মওংদা হেক্তা পায়নবা লাইসেন্সনা অয়াম্বনি। শুকপায় পায়দবা ময়াম অমসু য়াম্না মশা নান্না গাড়ী থৌনরি। লাইসেন্স হায়দুদি চেজেৎনি, চেজেৎ অমা লৌবদি লায়, লায়রম্মী। লাইসেন্সতি পায়রে গাড়ী থৌবদি হৈতে, লম্বীগী কাঙলোন খঙবা নৎত্রগা ইনবা মী অতাঙবনি। মদুম্বা লম্বীগী কাঙলোন ইনবা তনবা কাঙবুনা লাইসেন্স মনা ১০৮ পায়রবসু কালিমাই ঙাওদনীংঙাই লৈতে। মখোয় অদুম্বা ময়াম অদুনা গাড়ী থৌবদগী কালিমাই ঙাওরকপনি হায়বা তাবা নৎত্রা কালিমাইনা ঙাওই হায়গে হায়রগনা? কালিমাইনা ঙাওগদবা মী য়াম্না ইম্ফালদা নুমিৎ খুদিং থেংনৈ।

লম্বীদা পুল্লপ পুল্লপ খোঙনা চৎলম্বদা হোর্ন হঞ্জিন হঞ্জিন খোঙলফাও থৈদোকউ য়াদ্রবা য়াদ্রবী ময়াম অমসু লৈরি। মখোয় উরগা কালিমাই ঙাওদ-লাক্তবা য়ারোই। বাইক ফজ-ফজবা অতাঙ-অতাঙবা লৈর-লৈরগা মীরক নারকনি মী তক্কনি থেংগনি খোৎকনি খঙদনা থৌরিবা (য়াঙনা য়াঙনা) মীশিং অসিসু কালিমাই ঙাওদে হায়গদ্রা? মী ময়াম অমা গাড়ীদা পিক থনখৈ হাপচিল্লগা তিংখৎ তিংখৎতনা থৌরিবা মহাশোয় ময়াম অসিসু কালিমাই ঙাওবা হায়বা অদু ওইরম্মোইদরা ? য়েংবিয়ু, লৈরিবা মণিপুরগী লম্বী ময়াম অসিবু কদাইদা মওং চানা শেম্বা অফবা, কায়দবা, কৃৎতবা, কুইনা চৎনবা শেমখিবা য়াওবগে? লম্বী শেম্লিবা কাঙবু অদুসু কালিমাই ঙাওদুনা তৌরিবা হায়বদুরা? লম্বী ময়ায় ময়ায় য়ৌনা গাড়ী খামজিন্দুনা থম্ন রিবা, মদুম্মাইনা থমহল্লগা টিকেট য়োন্দুনা শেল তাল্লিবা মখোয় ময়াম অদুসু কালিমাই ঙাওবদগী তৌরিবনি হায়বা য়ারোইদ্রা?

হন্দক্কী মার্চ থা অসিগী মৈতুং অসিদি অঙকপা ফংনা গাড়ীগা মরী লৈনবা মীশি মীনা য়াম্না থোক্লে। অশি অনা, অশোক অপন হায়বসিদি কনা অমত্তনা পাম্নবা পোৎ নত্তে। অসুম্বা অশি অনা অসি থোক্তনবনেনা কেন্দল কৎলু হায়নরি, কৎনরি। নুমিৎ তারকপগা। কালিমাই ঙাওরে হায়নরি। অশোক অপন, অশি অনা অসি তোয়মল্লবনিনা মীপূম খুদিং পাখৎনরে। মমাঙদসু খামেন কৎনবা কুইখিদ্রি। কদাই কদাইদগী হৌরকপা ৱাফমনো হায়বা থোইনা খঙনদে অমনা কেন্দল কৎলু হেক হায়রকপদা কেন্দল অদুম কৎলে অমনা খামেন কৎলু হায়বদা খামেন অদুম কৎলে। শিবু শিদ্রদি শোকপু শোকত্রবদি হায়দুনা।

হৌজিকসিদা, অমরোমদা হায়বা য়াবা ৱাফমদি মথোঙ মরম খঙদনা গাড়ী য়াঙনা য়াঙনা থৌনরবা, লম্বীগী কাঙলোন, হেনগৎপগী কাঙলোন, গাড়ী থৌবগী কাঙলোন, পোৎ অরুম্বা পুবগী কাঙলোন, গাড়ীগী তপ্পা-য়াঙবগী কাঙলোন, লম্বী শেম্বগী কাঙলোন অসি অমত্তা হেক ইনবিদ্রবদি কালিমাই অদুম ঙাওখিনি। কালিমাই ঙাওবা হনখিরোই। নোংমা নোংমগী ঙাওবা হেনগৎলক্কেদনি।

লম্বীদা গাড়ী থৌনরিবশিং অসি মানা হান্না চৎতবা য়াদে, মানা হেনগৎতবা য়াদে হায়বা ঙাক্তা ঙায়। ওটো-রিক্সো অমদা মী কুন হেন্না পুবগী মওংসু য়াওরি। চিনগে চিল্লু চিল্লোই তোকউ ঐদি ঙক লীৎশিল্লদি য়ারে হায়দুনা তৌনরি রিক্সো থৌবা ইচিন ইনাওশিংসু, ওইরোমদগী য়াঙনা হেনগৎলকপনা হেনগৎলকপা, হোর্ন পঙখোংদা খোংলগা হেনগৎপনা হেনগৎপা মফম মরাং অমত্তা খঙবা লম নৎতেদা। সিদবু লাই তিনগাসে লোইনা ঙাওরনি।

ঙসি অয়ূকসিদি হংনীংঙকই ঙাওরিসিবু কালিমাইরা নৎত্রগা কাঙলোন চুমদনা গাড়ী থৌনরিবা মীশিং অসিরা? ঐ ঐতগী খল্লগা গাড়ী থৌনরগা নুমিৎ খুদিং কেন্দল কৎলগা গাড়ী থৌবগী কাঙলোন শুকইন ইন্দ্রসু লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্লরোইদ্রা? নৈনবা য়াবা ৱাহংনি, নৈনবীয়ু। মী ঐখোয়গী অশোয়বদি শেমদোক্তনা কেন্দল কৎলগা য়ারদ্রা? মথংনা করি কৎলু হায়রক্তৌরিবা?

# ৱাঙাঙ শোয়বগী মহয় চাবা

### নবকুমার ওইনা

***চহী*** চুপ্পা পূনবগী ৱা ঙাঙনদুনা লেল্লি, নোংমতা চুম্না ঙাঙনদ্রি হায়বা য়ারি। ঙাঙনরিবসিবু চুল্লিবরা হায়বা ৱাহং লাক্লে। পুৱারীগী ৱা পন্নরি, পুৱারীদুনা হেন্না শোয়খ্রে। পুৱারী খঙববু কনা য়াওরিবগে? অমনা অমা হায়, অমনা অমা হায় অচুম্ববু য়াওবা মাল্লক্তরে। অচুম্বনা করি ওইগদৌরিবনো? কনাদা হংলগা খঙগনি। মাগী মাগীনা চুম্মী হায়বরোমদা লাক্লরবদি কৈদৌঙৈনো ইংনা চিক্লা পানগদৌবা খুন্নাই অমগী শক্তম উগদৌবা। ঙায়বতনি, উবা ফংখিরোইদৌরি।

চীং-তমগী ৱা পন্নরি। চীংনা চীংনি, তম্না তম্নি। পূনবা পূনবা হায়গনি, কনানা পূনবা ঙল্লবগে? করিদা পূল্লিবগে? মীগী (মীগী-মীনি) মান্নদববু করিদা লৈগনি। মান্নদে খল্লগনা মান্নরোয়, মান্নে খল্লগা মান্নবা উরক্কনি। খূৎশেম নত্তে, নেচরেলনি, লাল্লিবসিনা খূৎশেমনি। লাল্লে খঙলবা ফাওবা অচুম্বা শাবগী হৈনবীনা খুন্নাই অমবু লৈতাহন্দে হায়বসি খন্থনদ্রিবা মাল্লক্লি। লুরিবদি পুৱারী লানবদুনা ওইদ্রে, মী-মীদুগী ৱাখলগী মখা পোল্লক্লে, লৌশিং মান্নদরে, লান্না থাজনখিবা চুমথোক্লবা ঙম্নদ্রি হায়বা খঙনদবা অসিমক্লা হেন্না ৱাথোক ওইরক্লি। মদুমক চুমথোকপা ঙম্নবা থৌরাং পায়খৎপা উদ্রি। মহৈ-মশীন তম্নরিবসি অরানবা চুমথোকপা ঙম্বগী থাক য়ৌদ্রি, লান্না মুকপগী থাক্তা লৈনরি। কনসিয়স ওইনদবগী সব-কনসিয়সতা ৱা ঙাঙনবা মাল্লক্লি। পুৱারীগী অরানবদু চুমথোকপদা পিরাই ঙাক্লরি। অরানবা তৌরুরবশিংগী তুং ইল্লুরবশিং লৈহৌরি। লান্না থাজরুরে হায়বা ঙম্নদবা হায়বসি ঙসিসু লাল্লি খঙদবা মাল্লকপদুনি। মশানা লাল্লিবশিং খঙজদ্রিবশিংগা ৱা ঙাঙনবা অরায়বা নত্তে। লুরিবসি ৱারীদু নত্তে, মীদুনি। শিখাঙ খাঙবশিংনা থোকহল্লিবা ৱাথোকশিংসু শিখাঙ খাঙদুনা লৈনবা তারকপনি। মদুমক্লা খুন্নাই অমগী শক্তমসু ময়েক শেংহন্দ্রে।

কনা অমনা হায়গনি, অচৌবা ঈপাক্তা তিল্লুবগী লমদমসিগী শক্তম মাঙলকপনি হায়না। তশেংবদি মশাগী শক্তম ঙাকচবা ঙম্বগী থৌনা, মরিংজেল, মরৌশিং য়াওদবনা মশাগী শক্তম মাঙথরকপনি। খেৎঙাঙদা মী অতোপ্পদা তায়নবনা কনবা ঙমগদৌবা লৈতে। ৱা ঙাঙদনা মরৌশিং তানগদৌবদা ৱাজাও ঙাঙজরগা কনবা ঙমগদৌবসু লৈতে। ঙাঙনরিবসিদা শোয়রবদি মদুগী মহয়না মীয়াম্না চাগনি। করি মহয় লাক্কদগে খঙদনা ঐগী ঐগীনা চুম্মী হায়নবসি চুমদবা হায়বদু য়াওনরবরা হায়বগী ৱাহংদু লাকপদুনি। কনানা ৱারেপ লৌগনি, কনানা ৱায়েনগনি। লুরিবসি মতাং অসিদনি, অরুবঙাক্তা খঙবা মীদুনা অরায়বা (ওইগদৌবা) খঙবা হৌনদে। ৱা খন্নবা হৈতবা ওইরবদি ৱারেপ থোক্লকপা ঙল্লোই হায়বসিদি মশানা তারকপা ৱাফমনি। ৱারেপ লৌবা ঙমদ্রগনা ৱা খন্নবদু মপূং ফাদ্রি হায়বনি। ৱা খন্নবা শোয়রগা ৱারেপতু থবক ওন্থোকপা ৱাবা তারকপনি। ৱারেপ্তমক লৌবা লুচিংবীনবা লৈতবদগী থবক পাঙথোকপীনবা লৈত্রবদি মীয়ামদু চাইখায়রগা মাঙজখিবা মহৌশানি। মদুমক্কী মহয় চারিবা খুন্নাই হায়বদুমক মাল্লক্লি। মুৎলবা কাঙবুনা মুত্তনবা ঙাঙজবা, মুখৎলিবা কাঙবুনা অঙম্বা শকপগী ৱাঙাঙদা পূন্না মাঙমিন্নবনি, করি শক্তমনো খঙজিল্লক্তবগী থাক অমদা হিংনরক্লি। মসিমনা ফরে হায়বগী ৱারেপ লৈবা উদ্রি। তপ্না তপ্না শক্তম অমদা মায়কৈ লেপ্পা ঙমদনা চঙশিনখিবা তারবদি য়াইরোং থুংলিঙৈ শাবীরাই হৌরকপা তাগদৌরিবনি। ঙসি-ঙসিমক লৈরিবা খুন্নাইসিগী শক্তমসি মায়কৈ লেপ্পা ঙমদ্রিবা ঈপাক অমদা তাওথবনি খন্নরি। হোৎনরিবসি মহয় চারে হায়বা য়াদ্রি।

চীংবুরোই, তম্বুরোই ইচিন-ইনাওনি হায়নরি, তিন্নবদি য়ানদে। মরম লৈফম থোকই। বৃন্দাবন চৎনীংলিবশিংগা ব্রহ্মদা চৎনীংলিবশিংগা মপা-মপুগী লাই খুরুম্বা চৎপা ওইরবদি মখোয়গী মরক্তা কদায়দগী নক্লবা মরী লৈনৈ হায়বা য়াগদৌরিবা। ব্রহ্মগা-বৃন্দাবনগা মরী থোক্লবা লৈবরা? মদু খঙদনা লমদমসিগী ৱা ঙাঙবা অশোয়বা কয়া য়াওরকপা তারকই। অওক-অপা শাবসু কয়ানি। ফজরিবদি লান্দারকপা লাম্নী মান্না নমদুনা ঙাকপা লৈঙাক পায়বগী ৱাঙাং ফোঙনা ঙাঙনবা য়াওরিবসিনি। লমদম অসিদা চহী চাম্মা লৈরক্লবসু লমদমসিগী মী কৌবা য়াদে হায়বসি নিংথৌ লৈঙাক্কী ৱাঙাংনি, ডেমোক্রেসি লৈবাক্কী ৱাঙাং ওইদ্রি হায়গনি। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীপুম খুদিংমক্কী হৌরকফম লমদম অসিদনি খনবা তারবদি পুৱারী খঙদবা, হৌরকফম খঙদবা, মীয়ামদা লান্না তম্বীবা, অঙাংনা ফাওবা থাজবা ঙল্লরোইদবা ৱাফম ওইরক্কনি। লমদমসিগী মপু ওইরিববু কনা-কনানো?

ময়ায়দা লৈবা মীওই খরনা অকোয়বদা লৈবা মীয়াম্বু ফেন্সিং ঙাকপা ওইনা শৈরেংদা হাপচিল্লুবনি। অফ-শাবা ইমা-ইবেন খরনা মচা-মশুশিং চৈরুবদা হেঞ্জিনখিবা, ৱাঙাঙ শোয়বদগী লাঞ্জাও থোক্লকপা য়াবা, লান খুদিংমক্কী মরুমদা নুপীগী ৱাথোক ইন্নবগুম নুপী খুন্নাইনা লৈবাক মাঙহনবা হায়বদুমক মাল্লক্লি। মচা মশু মহৈ তম্বীবদা পাড়া লান্না তাকশিল্লি। নুপীশিং পুল্লে হায়বগী ৱাঙাঙ ঙাঙনবা ঙমদ্রি। ময়েক নায়বিদি শেৎনগনি, লাইগী থৌরমদদি পূন্না ফম্মিন্নবা য়াদবা, লাইশঙদা নুপী খুদিংমক চঙবা য়াদবগী চৎনবী মুত্তরি। নুপী খুন্নাইসি পূন্না য়েংবা তারকই, অমমমতা য়েংবা মিৎয়েংদা, মশা খঙদনা ঙাঙবা ফুরুপ খায়দোক্লিবা নুপী লুচিংবীশিংগী ৱাঙাঙ লুবা হেঞ্জিল্লক্লি। ঈ পুল্লিবদি নুপী খুন্নাইগী অপূনবা শক্তম অসিতনা ওইরক্লি।

পূন্নবগী ৱা য়াম্না ঙাঙনরিবসি পূন্দ্রিবগীনি। পূন্দ্রিবা হায়বসি থবক শুদ্রি হায়বনি, ইরন্নায়গী চাক থোংবা, ফি শাবসি লৈবাক্কী থবক নৎত্রি। চক অসিদা পূন্দ্রিবশিংনা হিংগনি হায়বসি ওইথোক্তবা অমনি, হিংগে হায়রবদি পূনবা হায়বসি ওইথোকহন্দবা য়াদবনি। পূনবা হৈত্রিবা হায়বসি হিংনবা হৈত্রিবা হায়বনি। য়ানশিল্লকপা ঈশিংনা অপূনবগী শক্তমদা প্রেসিপিটেৎ হেক হেক থোকহনবা মাল্লক্লি। ইপা-ইপু হাক্তক্তগী চারোল তরেৎলক শুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরক্লবদি লমদমসিগী লৈহাউগী ৱা ঙাঙফম থোকই, লমদমসিগী পুৱারীদা হিংফম থোকই। মদু খঙদবশিংগী ৱাঙাঙ অদুম শোয়রক্কনি, লৈবাক কায়নবা মরু হুনবা থোক্কনি। ৱাখল্লোন্দি য়াওদনা নোংমৈনা মুকপনা লৈবাক শেম্বদি ঙল্লোই। পূনবা হৈতবশিংনা লুচিংবা কাঙলুপশিংসু পূনবা ঙম্বা হৌনদে। পূন্দ্রিবসি মীয়াম নত্তে, ৱাঙাঙ হৈতবা লুচিংবা খরগী ওইফম থোকই। লৈবাক কায়নবা শিনবা লুচিংবা লৈতবা নত্তে। য়ূমদা মোংবা চঙবা য়ূমলাই খুরুম্বা হৈবা তারকই। কুৱাও হঙ চনবা ঙমজদবা ফম্নায়বশিংগী নিংথৌ ওইবীনবা মী লৈবা হৌনদে। নুঙ্গোয়বীদা লালু চনবদি লায়বনি, লুরিবদি ৱারেপ্তুনি। ৱা তানবা হৈত্রিবশিংগী ৱারেপ য়াওদবা থবক্লা পুৱারী শাগৎপা ঙম্বা হৌনদে। মদুমক্কী উহৈ পাল্লকপনি, মুনবা ঙায়নবতনি। হৈনা মুন্দনা য়োংনা কাইবা য়াদবা মতাংদু লাক্লবনি। ৱাঙাং মুন্দনা লাইখায় তাবা ঙমফম থোক্তবদুনি। মরু ওইরিবসি পুৱারী নত্তে, ৱাঙাংনি।

আই এস টি ভিগী ৱাফঙনবা থৌরমদা কোন্নুং-লোন্দা লৈবাক শেম্বগী ৱাঙাংলোয় খরনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং তারুরগদি লোন অসিগী ফজবদু উবা ফংলি। খেৎলিবা, য়েংলিবা খরদুগী ৱাঙাঙ তারুরগনি উতঙ-ৱাগী তেন্না কাপ্তুনসু থৱায় কনবা ঙমগদৌবা মাল্লক্তে। উতঙ পায়ানা চীন শেংবা য়াদে হায়বসি ৱাঙাঙ শোয়দনবা লাই-লিক তম্বদা পাড়া হাপ্লম্বনি। উতঙ হুইনা ফাবা লাইবুংদা লাই হারাবা লাৎলগা লিদরসিপ ট্রেন্নিং পীনবা তারক্লি। লৈঙাকপশিংনা হিংচাবীগী শারী শোনবগী ৱাঙাং য়াম্না ঙাংলিবমখৈ চাক-ঙা লাওবা তোকপা ঙমখিরোই হায়বনি। লাইওইখ্রবা ইয়াম্বা অমনা হায়রম্মী, "লোক্তাক্কী নোংপোক্লা চহী নিফু পাল্লু (পাল্লু হায়বা লৈ), হৈরবদি চহী কুন্দা শৎলু হায়বা লৈয়ে।" লুৱাংনা পানবা চক্তা ৱা তান্নবা থোক্কনি হায়বদি ৱাঙাঙ শোয়নদবা থৌরাং হৌরে হায়বনি। কয়া য়াম্না চুম্বনো য়েংবা তারি। ৱাতেম্বদি ৱাঙাংদা লৈরে হায়বদি লাই হাক্তক্তগীনি।

ইপা ইপুশিংনা কদায়ফাওবা ৱামাঙ য়াল্লম্বগে হায়বদি হঙ্গৎনা য়েংবদা ঊগানি খল্লি। ঙসিগী নহানা অহলগী ৱা তনীংদে হায়বদি য়াফম থোক্তে। তম্বীবা হায়বসি অহলশিংগী মথৌনি। থবক তৌদ্রিবসি নহা নত্তে, অহলশিংনি, অহল পান্দবা ইমুংনি। মসি তৌদবা য়াদে হায়বা ঙম্বদু অহল কৌই হায়গনি। মাঙশোক-ফম্মেন নায়দবা, ফম্মেন ফম্বা ঙমদবশিংবু খুন্নাইগী অহলনি হায়বসু য়ানরোই। মোংবা চঙলবা ইমুংগী অনম-অহা চুরবা অহলশিংনা লাইরোল তিল্লোন্দা ৱাঙাঙ কারল চল্লক্লবদি লাই তায়নবা হৈবা লাইরম-তিল্লম খঙবা থিনরকপা তারকই। লাই মীনম চাবা, লাইবুংদা অনম-অথৌ কোক্তবা হায়বসি নাহাইরোল শোনবখক্লা য়ারোই। নুং-পান ফাওননা লাইশোনগী ৱাঙাঙ চুমথোকপা চঙলি। লাইশোন চুম্বা ঙম্নদ্রি, নাট ওইনা শাগৎপা ঙম্নদ্রি, লোন শুনদ্রি, ৱাঙাঙ চুম্নদ্রি, মহয় চাবা ৱাৎখিগনি। নোংখ্রং ইহনবনা য়ারোই, ঈশিংদা লুপকদৌবা নত্তে, ইনাক্তা লুপকদৌবনি। শেংদবা ঈশিংনা চায়থবা শেংবা হৌনদে। শেংদবা নাটতা হিংবা ৱাঙাঙ চুম্বা হৌনদে। লাইনা হায়রকপা ঙায়বা মীওইশিংগী নাৎ অমা লৈরে হায়বা য়াফম থোক্তে। পাফলবু লাইনি হায়না লৌফম থোক্তে। লিক্লমনি, লিক্লম চুম্না চৎপা ঙমদনা ৱাঙাঙ চুম্বসু ৱাখিগনি। লাইবৌ অচৌবা শাবা হৈবা তারকই।

লাইবু নীংগে হায়বরা, লাইবু লাৎকে হায়বরা, লাইবু লোয়নগে হায়বরা, ৱাঙাঙ চুমদ্রিবা হায়বসি লৈখায় তাবা ঙমখিরোই, লাইবাও শেংখিরোই হায়বদি ৱাঙাঙ শোয়রি হায়বনি। মদুগী মহয় চারি।